# “ইন্দিয়ানা মণিপুরবু কাউথোকফম থোক্তে”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি
উশম ধরমেন্দ্র



কুকি নার্কো টেররিষ্ট খূৎপু খরনা নমদুনা থোকহনখিবা মণিপুরগী লান ঙসি চহী অনী মখায় হেঞ্জিনখ্রবা ফাওবসিদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৌরিবা থৌদাংসি মণিপুর মীয়াম্না পেন্নীংঙাই শুংওই ওইদে। মখোয়না তৌথোরক্লিবা মওং অসিনা মেন্দলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা মণিপুরবু থৌওইদে, মণিপুরগী মীয়াম্বু লূম্না লৌদে হায়বদু উৎলি। মালেমগী মিলিটরিগী শক্তিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রুসিয়া অমসুং চাইনাগী মথংদা মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ানা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু খরগী মথক্তা খূৎ থাবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়বগী ৱাহং চাউনা লাক্লি। কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনখিবা লাননি। লানসিগী মনুংদা টেররিজমগী অয়ৌবী থাক্তা মীতৈশিংবু মখোয়না হাৎখিবনি, ওৎ-নৈখিবনি। ময়ামদুগী তমথীবা মীহাৎশিংদুগী মরক্তা অমনি চহী ফাখ্রবা জিরিবামগী জ কুরাধোরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অঙাং অহুম, নুপী অহুম তমথীনা হাৎখিবদু। থা ৮, চহী অনীগী অঙাং ফাওবা তমথীনা হাৎখিবনি। অদুগুম্বা তমথীবা মীহাৎ জিনোসাইদ কেম্প্যেন চথখিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওংদুবু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরমক্না মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি কাঙলূপকী ঈরাংনি হায়বা ঙমখি। মণিপুরদা খুন্দারিবা মীওইশিং অসি অসুক চাওখৎলবা মতম অসি ফাওবদা অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনবা ওইনা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা উবগুম তৌরি।

ইন্দিয়ানা অপূনবা লৈবাক অমা ওইনা শাগৎপা ঙমদ্রিঙৈদা মণিপুরদি নেশন ষ্টেট অমা ওইনা লাকখ্রে। কংলাদা মীতৈ নিংথৌগী মখাদা মণিপুর পূম্বসি চীংমী তম্মীশিংগীনি হায়বগী ৱাখল লীচিংনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা লাকখি। ঙসিসু পাঙথোক্লিবা ‘মেরা হৌচোংবা’ হায়বসিগী নুংগী ওইবা কল্লবা অমত্তা ওইবগী ফজরবা শক্তম অমা লৈরিবনি। চীংমী তম্মী পুন্দুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা লাকখিবনি হায়বসি মণিপুরদা হুরান লোনাদা চঙশিল্লকপা কুইদ্রিবা কুকি টেররিষ্টশিংনদি খঙলম্লোই। ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্টানা তকখাইরকপা কুকি মিলিটেন্টশিং, কুকি নুপী অঙাংশিং মণিপুর লৈঙাক্না চঙজফম পীদুনা মণিপুরদা লৈহনখিবদু ঙরাংতনি। মদুগী মথক্তা নীংথিনা ঙমখৈদা চ্যেক তৌদবনা কুকি কয়ামা অসুম অসুম চঙশিনখিদুনা মণিপুরগী চীংমাইশিংদা খুন্দাশিনখ্রে। লৈহাও ফবা মণিপুরগী চীংমাইশিংগী উ-ৱাশিং কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বী থারে। দ্রগকী করবার খুমাঙ চাওশিন্না তৌরে। শেঞ্জাও পায়রে। পোপী পাম্বী থাবা য়ারোই হায়রুবা মণিপুরগী লৈঙাক মখোয়গী য়েক্লবনি খল্লক্লে। মখোয়দংগী তোঙানবা লম অমা লৈরবদি মখোয়না তৌনীংবা দ্রগকী করবার খুমাঙ চাওশিন্না তৌবা ঙম্লগনি খল্লক্তুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লক্লে। মসিনি ঐখোয়গী মাঙদা মথং মথং উরিবসি। মসিদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মীতৈশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েংসিনা করিনো। মথক্তসু পঞ্জখ্রে ইন্দিয়াদগী য়াম্না ঙন্না মণিপুরদি নেশন ষ্টেট অমা ওইদুনা লাকখ্রে হায়দুনা।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মুন্না খন্থরবদি মণিপুরীশিংবু মীতৈশিংবু য়াম্না লুনা লৌফম থোকপনি। মীশিং য়ামজদবা মণিপুরগী মীয়াম্না এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেল্থ গেমস, ওলিম্পিক গেমসনচিংবদা ইন্দিয়াগী মায়থোঙ মালেমগী মমাঙদা ঙালহল্লিবনি। ইন্দিয়াগী মায় পুরকপা মতমদদি নীংশিংই অতৈদদি কাউথোকই হায়বগী ফীভমদা লৈরে। মীশিং য়ামজদবনিনা এম পি মশীংসু য়ামদে। মদুনসু কয়া লূম্না লৌদে। ঈরাংসি থোরকপা কুইদ্রিঙৈদা মণিপুরগী ঈরাংসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা য়াম্না লাংনখিবা মরু ওইবা ইস্যু অমা ওইনখিবদু তপ্না তপ্না অদুম মমি শামখিবা ঐখোয়না উনখি। অচৌবা লৈবাক্লিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ইস্যু কয়া লৈ। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী ৱাফমদি তরাইথোকখ্রদনা লমদমসিদা ফাওবা ঈরাংসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী পূন্সি মহিং অমসুং করম্বা মতমদা লানসিগী ৱারোইশিন লাক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা হল্লক্কদগে হায়বদু হায়ফম খঙদনা তূমিন লৈখ্রে। মণিপুরদা লাক্তে-লাক্তে হায়রম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ‘ইন্দিয়াগী মহারাজ ধিরাজ’ মিজোরাম অমদি অসামগী খোঙচৎতা মণিপুরসি লম্বী থোকই হায়দুনা সেপ্টেম্বর ১৩দা মণিপুরদা লাক্লম্লে। মহাক্না লাক্লম্বদুগী তাঞ্জাদা মণিপুরগী রুলিংগী বি জে পিগী এম এল এশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবগী তাঞ্জা লৌহৌবসু ঙমখিদে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মদুগী তাঞ্জা/খুদোংচাবা পীরম্বদি লায়রদনা মখোয়বু হন্না ফাওবা য়েংবীরমদে। মখা তারকপদদি পোলিটিকেল দিভেলপমেন্ট করিসু লৈখিদ্রে। তূমিন লৈখ্রে।

মণিপুর তূমিন লৈখ্রে। অৱাবা নংলবা মীয়াম অৱাবা খাঙবদা অৱাবা কাউরে। খৌরাংবনা খৌগংবা কোক্লে হায়বগী ফীভমদা লৈরে। লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌদে, খোংসু খোংদবা কাওসু কাওদবা শগোলগা পাঞ্জক্লি হায়না প্রমান তৌনরম্বা প্রসিদেন্টস রুল মমাঙগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তুগী মথংদা লাক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলসিনা অমুক্তোইবা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা লৈঙাক্লি। লৈবাক মীয়াম্না প্রসিদেন্টস রুলনা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং করি পায়খৎলিবগে, লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা করি-করি হোৎনরিবগে, করম্বা মতমদা মীয়ামগী মীহুৎনা খনবা লৈঙাক লাকহনগদৌরিবনো হায়বগী ৱাহংতনি হংনরিবসি। গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগী প্রসিদেন্টস রুল মতমসিদা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়বশিংদি ইমাইপেম্মা চাউবা য়ারিঙৈদা চাউহৌরে হায়দুনি। ফম তারবা মিনিষ্টরনা তৌবা ফোন ফাওবা পায়দবগী পাউ তারি। মীয়ামগী মীহুৎকী ৱা ফাওবা তাদ্রবা ওফিশলশিং অদুনা মীচম মীয়ামগী পেন্দবগী ৱাকৎতি কদাই ফাওবা তারমগনি হায়বগী ৱাহং লাকই। মসিদনি নুপা থোক্কেরা থোক্লোইরা মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীহুৎশিং লৈঙাক অমা লৈবগী তঙাইফদবা অমা লৈরিবসি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মীয়াম্না শীন্নখিবা শক্তি শীজিন্নহন্দনা ঐখোয়গী এম এল এশিং থম্লকপসি কুইরক্লে। ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতমসু লোইশিল্লক্কদৌরে। থেঞ্জাং অনী থোক্না শাংদোক্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুলসিদগী হেন্না শাংদোরক্কদবা মান্দে। মরমদি অসুম্না চৎখ্রবদি বি জে পি হায়রিবা পার্টিসিগী পোপ্যুলরিটি অসি অসুক্কী মতিক লমদমসিদা মাঙখিগনি। অদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক লৈরিবসিনা মখোয়না হায়খিবা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্কী ইঞ্জিন মচাগী মফমসি শোয়দনা কন্ননবা হোৎনরক্কনি। তৌগেদা ঙম্বা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক্লি। করি করম তৌরগা মাঙখ্রবা মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিলহনগনি হায়বগী বুদ্ধি ফজনা খঙবা লুচিংবা কয়ামা বি জে পিগী লৈরি। হন্দক্তা কমদৌনা নেশনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্সকী কাঙবুনা বিহারদা চাউনা মায় পাকখিবা মীয়াম্না নৈনবা চুমগনি। অৱাৎ অপা লৈত-লায়রবনা মশীং য়াম্বা মণিপুরগী মীয়াম্নি। নুংঙাইবা মীওই খুজোক খরনা নুংঙাইজবগী ৱানি। অসিগুম্লবা লায়রবগী লৈই মখাদা লৈরিবা মীয়ামদা খুদোংচাবা অমসুং থাজবা কয়া থমদুনা মীয়ামগী সপোর্ট ফংনবা বি জে পিনা হোৎনরি।

লোইশিল্লকপদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লানগী ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমগী মনুংদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পুরক্কদবনি। মখোয়না তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দশিং পীররোই হায়বগী ওর্দর ওফিশিএল্লি থোক্কদবনি। অথুবা মতমগী মনুংদা মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক থমগদবনি। মরম শুংচা চাদনা মীতৈশিংবু ফ্রী মুভমেন্ট লৈহন্দনা থম্বা য়ারোই। মণিপুরগী মীতৈশিংনা শান্ন-খোৎনবগী অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মালেমদা ইন্দিয়াবু শক্তাক্লিবনি হায়বসি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কাউফম থোক্তে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ইহুৎ খন্দোইরা মীহুৎ খন্দোইরা?

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



ওটোক্রেসি হায়বসিদি মীওই অমখক্না মী অতৈবু নুঙাইহন্দবা সিষ্টম ওইবনা অপাম পামদগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকচবা ঙম্বা, মশা-মশানা ফরে খনবা মীহুৎশিংনা লৈঙাকহনবগী সিষ্টম অসি হৌদোরকই, মসিবু দেমোক্রেসি (মীখল) হায়না খঙনরি। মসিনা তৌনীংবতা তৌবা ঙম্বা নিংথৌগী লৈঙাক লোইশিলহন্দুনা মী খুদিংগী হক চাওখৎহল্লি। লোয়ননা মান্নবা থাক অমদা মীওইবনা হিংমিন্নবগী থাক ৱাংখৎহল্লি। নুপী নুপা অমদি অঙাং অহলগী থাক লেপ্পী। দিফরেন্টলি এবল নৎত্রগা থর্দ জেন্দর হায়না মীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মশক চিংথোরকই। মসি দেমোক্রেসি শেমগৎলিবা খুন্নাইগী মশকনি। মসিননি মালেমদা দেমোক্রেসি সিষ্টম হায়বসিনা লৈঙাক্কী অথোইবা সিষ্টম ওইনা লৌনরিবা। হায়রিবা সিষ্টম অসি বি সী ৫০০ অদুৱাইদা মালেমগী খুন্দা অহানবা ওইনা লৌনরিবা গিকশিংনা খনখিবা সিষ্টমনি। মসিগী মখা শমথরকপদা ফজখ্রবা দেমোক্রেসিগী মওং মরীল তাবা চৎন-কাঙলোন অসিদি য়ুনাইটেদ কিংদমনা ১৬৮৮দা শেমগৎলকই। য়ু এস এ হায়বা লৈবাক অসি ১৭৭৬তা মনীং তম্বা লৈবাক ওইরবা মতুংদা ১৭৮৭তা অমেরিকাগী কন্সটিট্যুশন শেম্লে। লোয়ননা দেমোক্রেসি লৈঙাক লিংবা হৌরে। ফ্রান্সতসু ১৭৮৯দগী দেমোক্রেসি চৎলে। ইন্দিয়াদসু ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী হৌজিক ফাওবা দেমোক্রেসি লৈঙাক চৎথরক্লি।

ইন্দিয়া হায়বসি ঙসিদি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না শীংথানরি। দেমোক্রেসিবু ফেষ্টিবেল অমগী মতৌ মালহন্দুনা মী খুদিং শরুক য়ানবা ঈ সী আইনা শেল য়াম্না থাদবা পব্লিসিটি ফাওবা তৌই। মীখলগী অশিন অরাং পায়রিবা ইলেক্সন কম্মিশননা ভোটরশিংবু মতম মাঙহনবা তৌদনা মশাগী মীহুৎ খঞ্জনবা অরাইবা অমদি অয়াংবা পাম্বৈ থিনরকই, পুথোরকই। অমেরিকানা ১৯৬০দা অয়াংবা মীখল করম্না পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাখল পোক্লক্তুনা ১৯৮০দা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) পুথোরকই। মসি মী ক্রোর ১৪০ হেন্না য়াম্বা ইন্দিয়ানা পাম্বা অমা ওইখি। ১৯৮২দা কেরলাগী এসেমব্লি মীখলদা ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌখি। ঙসিদি ১৯৯০গী মতুং তারকপদা পাঙথোক্লিবা মীখল খুদিংমক্তা ঈ ভি এম শীজিন্নদুনা লাকই। অসিগুম্বা ইলেক্সন (মীখল) গী মেকানিজম অসি অশোয়বা লৈ খনবদগী অমেরিকাদা ঈ ভি এম টেক্লোলোজি শীজিন্নবা তোকখ্রে।

মেছিন হায়বসি মীনা শেম্বনি। আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স হায়রিবসি মেছিননা মথৌ তৌহল্লিবনি। রোবোটিক্ট লাইফতা থাজবা থম্বনি। রোবোটতা অঙাং পোকহনবগুম্বনি। ঈ ভি এমনা পুথোকপা মীখলগী ফল অসি অনীংবা অপাম্বগা খেন্নহনবা লায়না য়াবা পোৎনি। মী ময়ামদা খূৎ লোন্নরগা ভোটকী থৌজাল নীরুদ্রবসু ঈ ভি এমগী সোফ্টৱেয়র লায়না শীজিন্নবা হৈবা টেক্লিসিয়ন অমদা লুপা ক্রোর খরা থাধরগা লৈঙাক পায়বা য়াবগী নম্বর চোংথোকহনবা হায়বসিসু ওইথোকপা য়াবা অমনি। ঈ ভি এম হায়বসিমক রোবোট মখল অমনি। ঈ ভি এমনা পীবা ভোটর মশীংনা মীহুৎ অমা মায় পাকহনবা অসি রোবোটনা মী শেম্বা (মচা পোকহনবা) গা মান্ননা লৌবা য়াই। মসিনা ঈগী মরী হায়বদি মমা মপাগা মচাশিংগা লৈনফম থোকপা নুংশিনবগী মরী অদুদি য়াওদবা তাবনি। মীওইবগী মপোক মমল য়াম্না লৌনরম্বদু মমল হোঙথরকপা তাবনি। মমল য়ামখ্রবা মীওইবগী মহুৎ শিন্দুনা লান্মী ওইহনবা অমদি শিফম নাফম খঙদবা মফমদা শিন্মী ওইহনবদা রোবোটকী কান্নফম ওইরবসু দেমোক্রেসিদা ভোটরশিংনা মশাগী অপাম্বা ঈ ভি এমগী খূত্থাংদা লৈঙাক্লোই খনবসিমদি তশেংনা চিংনফম থোকপা অমদি পেন্নীঙাই ওইদবা থৌওং অমনি হায়নীংই। মতাংসিদা ৱাহং ওইনা থোরকই খল্লিবদু ইহুৎলা নৎত্রগা মীহুৎলা?

ইহুৎ হায়বসিদি ঐগীনি। ঐনা খঞ্জবনি। ঐগী ৱা তাবীগনি। ঐগী য়াইফন্নবা খরতসু মাগী খূরক্তগী লিৎথহল্লক্কনি। ঈ ভি এমগী দিভাইস অমনা ভোট ওন্ননা চৎখ্রগা ওইরক্লিবা মীহুৎ অদুনদি ঐগী ৱা তাবা ৱাৎলি। ৱাফমসি ইরায় লায়বদি মাল্লগা খ্বাইদগী লুবা অমনি। লুপা ৫/১০ পীবা চফু মচা অমা লৈবদি হোনবা য়াওব্রা হায়দুনা মথক মখা হেক্তা ওনবমখৈ খূৎকাপ্পীনবু কাপ্পও, ঈশিং হৈজিল্লগবু য়েংবও, য়াম্না চেকশিল্লি। অদুবু চহী মঙা ঐগী খৌরি চরম নৎত্রগা চাকখাও পায়রগা লৈগদৌরিবা ইহুৎ অদুবু খনবদি মঙ হাগুম ইতাও তাওনা খল্লি। চেকশিন্নদে। ঙাইহাক্কী লাংদা থুখি। শেলগা হক্কা ওন্নখি। য়োন্দ্রসু লৈবা ঙম্বদুনা লুচিংবা ওইখি। দেমোক্রেসিদা ভোটরনা মপুনি হায়বসি মীহুৎশিংনা খন্দবা হৌরকই। ঈ ভি এম অসিমক শেম্নীবা মপু অমগুম মরাইবক কৎলি। মতাংসিদা ইন্দিয়াগী সিটিজন খুদিংনা খন্নরকই বেলোট পেপরদা ইশাগী ইহুৎ খনবসিবু করি ৱাগদগে। নোংমখক মশক চুম্বা ইহুৎ খলহৌবনা চহী মঙাদি ঐবু খূৎ শমদুনা সিষ্টম অসিদা তিলহনগনি। মীখলদা লাইগী শোয়দনবা মওংদা য়াম্বনা তংদু লৈতাহন্দ্রবদি খুন্নাইদুদা ইশানা য়ানা তেংথা নাওইনা হিংবদো ইশানা থাকচবা লাংদা থুজরিবনি করিগী হায়রোইদবনো?

পোলিটিক্স হায়বসি য়াম্না মহু চাউবা খোঙচৎ অমনি। সিষ্টম শেল্লিবা লেজিসলেচর, সিষ্টম চৎনহল্লিবা এগজিক্যুটিভ, সিষ্টেম অদুগা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা ৱায়েল পীরিবা জুদিসিয়ারি অদুগা মরীশুবা মখোঙনি হায়নরিবা লৈঙাক অমদি মীয়াম অনীগী মরক্তা ঈ-পাউ য়েন্দুনা খঙমিন্নরিবা চাওখৎলম্বী চৎমিন্নরিবা জর্নেলিজম মরি অসিনি। মরি অসিনা অমা হেক শোয়রকপদা সিষ্টম অদু ফেল ওইগদৌরিবনি। ঐনা থাজখিবা মীহুৎ অদো ওন্নরে খনবা ভোটরগী মশীং য়ামখৎলকই। মীহুৎ অদুবু থম্মোয় শেংনা য়ানীংবা মীশক ওইরক্তে। থাজনদবা কৌবা পল অমনা মীয়ামগা মীহুৎকা অনীগী মরক্তা থৎতুনা থম্বগুম উরকই। মীহুৎতুনসু মীয়াম্বু তীল-কাঙ ওইনা উরকই। মীয়াম্নসু মীহুৎপু মীদি মানবা য়োং ওইনা উরি। অমগা অমগা উশিৎনরক্তে। থকসি-খাসি ঙাক্নরক্তে। চিন্দগী হেন্দোক্তুনা খূৎ য়াওনরকই। কাঙবু কাঙবু নায়বা খূৎপু শেমগৎনরকই। পোহৌবনা কাখিবা কাঙবুবু চিংথুনবা থৌরাং তৌরকই। লৈঙাক পায়রবশিংসু লম্বীদা তিঞ্জং ওইদনবা মাগী লম্বাদুবু খাংঙুথক্তা মাঙহন্নবা হোৎনরকই। ভাইওলেন্স শীজিন্নরগা তৌবা ঙম্বা উৎনরকই। লান হায়বসি পোলিটিক্সকী পোথোক অমনি হায়বদা কক্লিঙাই য়াওরক্ত্রে।

ঈ ভি এমনা দেমোক্রেসি সিষ্টম অসি থাজদবা নোংম-নোংমগী হেল্লকপগুম তৌই। মসিগীসু মথক্তা সিটি অমদা লেপনীংবা কেন্দিদেট মশীং য়াম্না লেপ্পা য়াবা অসিসু মশীং য়াম্বনা লৈঙাক পায়বা ঙমদবগী মরমনি। মী ৫/৬ লম্বা তৌনবদা অমখক্না কারগা মীওই ৪/৫না পোহৌগনি। মী ৪/৫না ফংলিবা ভোট মশীংনদি মশীং হেলহৌগনি। অদুনদি কেন্দ্রদুগী মীহুৎতুবু য়াবা মীগী মশীংদগী য়াদবা মীগী মশীংনা হেনগনি। মশীং য়াম্বা পোহৌবশিংগী ঈহৌবু লাকশিনবা ঙম্বা ওইথোক্তে। অদুগীসু মথক্তা মীরেপ হায়বসিগী মহৈ মশিংগী থাক লেপ্তুবনা নম্ফু হায়বা পাম্বৈসি শীজিন্নবা মশানা তারকই। থিকা কৌবা শিনফম অমদগী হৌরকপা, জে সী বি, পোক্রেন, হায়বাবু মহৈগী থাক লেপ্পা সর্টিফিকেট ওইনা পায়রবা মীরেপনা মায় পাক্লবা মতমদা দেমোক্রেসিবু থিকাগী থবক খুতৌদা চৎখিবা তাবনি। এগজিক্যুটিভনা করিসু তৌবা ঙল্লোই। জুদিসিয়ারিগী কলম মুক কংখিনি। জর্নেলিষ্টশিং মচিনদা মাস্ক উপখিনি।

ঙসিদি পোলিটিকল পার্টি অমখক্না মরোমদোম লেপচবা ঙম্নরক্ত্রি। মাগী মাগী মীচং খোম্নরি। এলাইএন্স শেম্নরি। লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা হোৎনরি। মসি ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি কৌবা লৈবাক্কী সিষ্টম অসি মরাই চাইথরকপগী খুদমনি। সিষ্টম অসি নৌহৌননা শেমগৎপা মথৌ তারি। দেমোক্রেসি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা তৌগদবনি। গুন্দাগী মফম দেমোক্রেসিদা থল্লোইদবনি। মোরেল এদ্যুকেশন নিংথিনা লৈরবা মীরেপ্তা মীহুৎ ওইহনগদবনি। কথোকপগী ৱাখল্লোন য়াওবা মীওইশিংদা ইশাগী হক শিন্নগদবনি। য়ূম্বান কৈবাল মচু শেংবা মীশক, শম্না হায়রবদা ‘চঙ’ থোকপা মীশক খনবা তাবনি। মীপূম খুদিংনা দেমোক্রেসিবু ইরায় লায়না খল্লবদি মীয়ামগী দেমোক্রেসি মাঙখিনি। দেমোক্রেসি মাঙখ্রবদি ঐখোয়না অমুক নিংথৌগী লৈঙাক থেংনহৌগনি। মতমদুদা ইশানা ইহুৎ খঞ্জদুনা লৈঙাকচবগী মহাও লোইখিনি। দেমোক্রেসি কনবা হায়বসি মীয়াম্না ঙম্মী, মীহুৎনা ঙমদে। তৌবতবু ঙসিগী ঈ ভি এমনা খল্লিবা মীরেপ অসিদি ইহুৎনি হায়সিরা মীহুৎনি হায়সিরা ইশা ইশানা পাউখুম পীবা ঙম্বা তাবনি!! ●

# লৈঙাক্তা হায়দনা কনাদা হায়রুগনি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুরদা ১১রকশুবা ওইনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫তগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থমদুনা লৈবাক ঙাকপগী থবক গভর্ণর কাওন্সিলনা পায়শিনবিখ্রে। মসি অনী থোক্না য়েংবা য়াই। মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা ব্যুরোক্রেসি অমদি টেক্নোক্রেসিশিংনা তৌনীংবা, শেমগৎ শাগৎনীংবা কয়া মানা মানা থেংনরকপা মহৈ তম্বদা য়াওরকপা কয়াগী থিওরিদু থবক ওইনা ওন্থোক্লীংবা এদ্যুকেশনদা, লম্বী থোংদা, মৈ-ঈশিংগীদা, ঈথৈ লৌখোংগীদা অমদি মীয়ামগী ওইগদৌবা বিল্ডিং কয়া শাগৎপদা। মসিদা নত্তে এদ্যুকেশনদা নিংথিজনা ওজা অমদি মহৈরোয় অনীগী মরক্তা লৈবা সিষ্টম, লায়েংশঙদা ডাক্তর অমদি অনাবগা লৈনগদৌবা/উৎকদৌবা হ্যুমেনিটরিয়ান, মথৌ মশক খঙনা পুলিস অমদি মীয়াম অনীগী মরক্তা আইননা করি হায়রি, ঐখোয়না করি তৌফম থোকই হায়বা পূম্নমক লৈঙাক লীংদুনা লৈরিঙৈদা অচুম্বা কয়া প্রেসরনা খোয়হনখিবা অদুনা পেন্দবা তৌনীংবা অফবা কয়া তৌবা ঙমহৌদবা শোয়দনা লৈরমগনি। স্কুল কাদবা, পোষ্টিং চৎলু য়াদবা ওজাশিংদা ওথোরিটিনা খূৎ থাবা ঙমদবা করিনা প্রেসরনা মীয়ামগী মীহুৎনা ঙাক্লৌ নৎত্রগা ফৈনা য়ুংনা থৎখিবদগী কাদবা ওজা, পোষ্টিং চৎলু য়াদবা ওজা, ডাক্তর তোঙান তোঙানবা লোয়শঙগী শিন্মী কয়া মাগী মাগী সুপরভাইজর ওইরিবশিংনা খূৎ থাবা ঙমখিদবা কয়া লৈখিদবা নত্তে। লম খোপচিনবা, পাট্রা শাবা য়াদবা কয়া পাট্রা শাও হায়রক্কনি, আইন কায়না থবক তৌবা ঐগী মীনি খরা য়েংলগা তৌ হায়রক্কনি। পোষ্টিং চৎলু য়াদবা কয়া এক্সন লৌবা য়ারোই থবক কাদনা ৱাচৎ ৱানোমদুনা তোঙান্না শেন্দাল লম্বী থিদুনা লৈগনি। মথক থোংবা কয়াদা ইকায়খুম্নবা থমদনা হায় হেন্দেট ওইবা মওং মতৌ উৎলক্কনি। লম্বী শেম্বা শাবা পীরিবা সেদ্যুল অদু চপ চানা তৌবগী মহুত্তা মমিংতগী ওইনা তৌগনি। ইঞ্জিনিয়র অমত্তনা নিংথিজনা চেক তৌবা ঙল্লোই। মদুগী মহুত্তা নখোয়গী সি, ঐনা সি, মীগীনা সি হায়দুনা শায়েন ঙায়েন্নদুনা শেল্লম্বা শারম্বা লম্বী কয়া নোং খরা তাবগা লৈখোম লৈনাং, নুংশা খরা শারগা উফুল ৱাইফুলনা মিৎ-মায় পাংবা ঙমদবা, গাড়ী স্পিদ ৩০/৪০গী পর অৱারদা থৌরগনা লৈকুৎ কোমকুৎ খুরক হাংদ্রবা লম্বী কয়ানা ৱাই চাইরবা মণিপুর তম্পাক্কী লম্বীশিং শেঞ্জা থুমজানা ৱাই চাইরবা লোয়শঙ কয়া মচি মরুম থুপনা নত্তনা অদু পীয়ু অদুদি য়াম্মন্দ্রে হায়দুনা ইফোং ফোংনা খূবাক ময়ায়দা শগুন তৌনবা ঙল্লবনি। অফবা লৈঙাক মীয়ামগীদমক্তা লীংবা লৈঙাক হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লৈঙাক্কা মীয়ামগা য়াম্না ত্রান্সপরেন্সি ওইবা অদুনি। মাগী মাগী কেন্দ্র অদুগী মীয়ামগী চাকথুং ফিথুং, অকি অখং য়াওদনা হিংবা ষ্টেট অসিগী মনুংদা মফম অমদা নৎত্রগা অমদা চৎনীংবা চৎপা য়াহনবা কনা কনাদা অয়েৎপা পীদনা হিংবা পূন্সি অদুবু সিটিজন অমগী রাইট নত্তবরা। লৈঙাক থৌদাং পুরিবা মীয়াম্না খনবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মফম মতম চানা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌহৌদবদগী ফত্তবা কয়া ওইরকপগী মরম কয়া থোকখ্রে।

ঙসিদি পি আর লৈরে। লাইরিক লাইশু কয়া পাদুনা মালেমগী থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক কোকতা হানজিল্লবা, ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা থাংগৎলিবা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননা লৌবা আই এ এস অমদি আই পি এসনচিংবা কয়াদা মায় পাক্লবা কয়ানা মীয়ামগী য়াইফন্নবা তৌনীংবা থবক, লৌনীংবা ফিরেপ কয়াগী নীংতম্না তৌবা ঙমদবা চহী ৫/১০ চৎনা দিগ্রী অমদি মাষ্টর দিগ্রী, এম বি বি এস, পি জি অমসুং সুপর স্পেসিএলিষ্ট মসিদা নত্তে, চাওখৎলবা অহোংবা কয়া য়ূমলৈ-কৈরৈ, লম্বী-থোং খুদিংমক ওইহন্নীংবা, তৌহন্নীংবা তৌনবা থিকাদারদা চপ চাবা মিৎয়েং চঙবা ঙমদবা, চিন মেনশিনবীনবা খূৎ ফাজিনবীনবা ঐগী মী, মীগী মী হায়দুনা লৈবাক ঙাকপা মীয়ামগী মীহুৎকী থৌওং কয়াদু লৈত্রবা মতম অসিদদি সেন্টরদা শেমগৎ-শাগৎপদা চঙগদৌবা শেনফম খুদিংমক দিমান্দ তৌদুনা ওইফম থোকপা চাং মণিপুরগী চহী কয়া চুপ্না অমুক্তা ওইরক্তবা মওংদা ৱাহেংবম লৈকায় নুপা কৈথেলদগীনা মখা পাংনা চৎখিবা মীয়াম্না ময়ায় লম্বী হায়রগসু খঙনবা ময়াং ইম্ফাল রোদ অসিগী ফীভম অসিদি মীওইবা খুন্নাইনা চৎপা মতমদা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লগনি।

মীয়ামসু ৱাখল তাসি প্রাইম মিনিষ্টরগী ওইরো, মীয়ামগী জন নেতা হিজম ইরাবতকী ওইরো, অমগী ওইরো নোংমখক তৌশিন্নবনা কান্নরোই। নুমিৎ খুদিং ঐগী ঐগী থোঙ্গালদা তাবা অমোৎ-অকায় শেংদোকপা ওইরবদি চহী চূপ্পা নান্দুনা লৈগনি। নোংমখক্কী শোগী থবক ওইনা কেমেরাগী মমাঙদা শুমজিৎ পায়দুনা লেপ্পা তোকসি। মমল তাঙবা গাড়ীদা তোংলগা থকখিবা ঈশিংগী অহাংবা বোট্টল, চাখিবা পোৎ য়োল্লকপা চে অমদি প্লাষ্টিক খাও লংথোকপগী হৈনবী থাদোক্লগা নঙগী নঙগী গাড়ী মনুংদা হাপচিল্লগা মফম চাবা অমোৎ অকায় পৈফমদা থম্বগী হৈনবী লৈসি।

মীওইবা ঐখোয়দি মীওইবা ঐখোয়না থৌদাং মশক খঙনা থবক তৌবা তঙাইফদে। মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসর পূম্নমক ইরৈবাক ইরমদম হায়বা অসিদগী মী ওইনা পোক্লিবা ঐখোয় পূম্নমক্না চাংদম্নবা য়াবা পোৎশক অমা ফাওবা লৈতে হায়বা অসিদি ঙসিগী ৱাদা নত্তনা মতম চূপ্পগী ওইনা লেঙদনা লৈহৌরগনি। ঐখোয়গী জনা নেতা হিজম ইরাবতকী ১২৯শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্লি। তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেশন কয়ানা শৈরেং শৈদিন্নবা, মহাক্কী মরমদা শৈহেক শৈদানবা, লম-তু শেংবা, মহাক্না তৌরম্বা, কথোক্লম্বা কয়া শৈথাবদা লোইবা নাইররোই। নুমিদাংগী মতমদা মৈরা কৎতুনা মীতৈ য়ূমথোঙ খুদিংনা থম্মোয় শোক্না মিৎলু পিরাং ইরোয়নরি।

মীখল মতম লাকপদা শেঞ্জাও পায়বা, শক্তিতবু মীহৌবা, শেন্দোংতমক খনবা কয়ানা চোপ্পা খোই, থাক্লিবা লাংদগী নাম্থোকপা ঙমদবা ক্লব, ওর্গনাইজেশন য়াওরকপা অদুগী ৱাহম্থোক করিনো? ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা, মায়োক্নরিবা ৱাথোক লাম্থোক পূম্নমক অসি মীখল হৈহৌদবদগী থোকপা ঙাক্তনি। লুখ্রবা ঈশিংদু অমোৎপা মচেৎ অমা তাখিবদা পুম্মাং মাঙবগুম্না ঙসি মণিপুর নোংমা নোংমগী শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরি। ফ্রী মুভমেন্ট ঙমদ্রি। শেল তানফম লৈতে, চাদবা য়াদবা, শেৎতবা য়াদবা, ইচা-ইশু মহৈ তমহন্নবা হোৎনবা মতমদা চঙলিবা শেলগী শেন্থোক লম্বীদি নোংমা নোংমগী ৱাংশিল্লকই। বিহারদা তিল্লৌ কেজিদা লুপা ৭/৮ পীবদা মণিপুরদা লুপা ৪০, আলু কেজিদা লুপা ৫/৬ পীবদা মণিপুরদা লুপা ৩০, মীতৈ চেঙ কেজিদা লুপা ৬০, সুপরফাইননা কেজিদা লুপা ৪৫ মসিদা মণিপুরনা করম্না লিৎখৎপা ঙমগনি। লায়রবগী মচা তম্নবা স্কুল নোংমা নোংমগী মুৎশিল্লক্লি। লৈরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়াদা ম্যেন পৱার ৱাৎপগী থবক খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রিবা, শেঞ্জা থুমজা ৱাংখৎলক্লিবা অসিদা নত্তনা ইরৈবাক ইরমদম অসি মনীং হল্লক্লবনি, মাঙলোমদা চঙশিনবগী মহুত্তা মনীং লোমদা হল্লক্লবনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থমিন্নসি।

থবক লৌবা মতমদা শেঞ্জা থুমজা তৌরিবমখৈ মথৌ মশক খঙলোই হায়বসিমদি ১০০দা ১০০ চুল্লবনি। শেঞ্জা থুমজা তৌদনা লোয়শঙ খুদিংগী ৱাৎলিবা ম্যেন পৱার মেনশিনবীয়ু। মথৌনা মরিংজেল লৈবা ফূরুপ অসিগী পোটেন্সিএল ৱাংবা দাইনামিক ওইবা নহা লাখ ৭/৮ অসি চফু লৈবা মতমদা ককশি য়ৈদুনা য়েংবগুম মাগী মাগী মতিক মগুণ, মরিংজেল মথৌনা, হৈশিংবা য়েংলগা লুপা অমা তিংহন্দনা থবক হাপ্পীয়ু অদুদি নত্তনা গ্রেদ ফোর অমদা লুপা লাখ ২০/৩০/৪০ লৌবীরগা কনানা থবক শুনীংগনি, কনানা মরৈবাক্কীদমক মায়ওং য়ানা লেপ্পক্কনি। খাদা কাপ্পরগা অৱাংলোমদা চেন্দুনা ধপ তৌবনদি ইরৈবাক কনবা ঙল্লোই। খুদিংমক অসি পি আর ওইরো, মীয়ামগী মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক ওইরো লৈঙাক্তা হায়দনা কনাদা হায়রুগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।